হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মে ৩১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৬৫শুবা মশীং

## ৱার ওন দ্রগস

### তম্পাক্কী মীয়াম্নসু লাউথোকহন্নীংই

'ৱার ওন দ্রগস' কী খোঙজংসি মমাঙগী লৈঙাক্না হৌদোকখিবনি। লৈঙাক্তুমক্কী মশক্তা খরা খজিক অহোংবা লৈরবসু লৈঙাক্তুমক হঞ্জিল্লকপদগী অমুক মখা শমথরকপনি। থোইনা হেন্নদুম কনশিল্লকপনি। অফবা থবকনি, মণিপুরদগী দ্রগ য়াওনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক পূম্নমক মরূ ফংনা মূখৎনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপনি। নীংবু নীংলবদি থোকঅবা অমা লাকই, হোৎনরবদি লেম্না মাঙদে হায়বদুমক চপ-চানা থোক্লরে। চীংগী মফমশিংগী মনুংদা সেনাপতি, মাও, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, নোনে অমসুং তমেংলোংগী মীয়াম্না খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা মখোয়-মখোয়গী এরিয়াশিংদা লোনসু অথিংবা থন্নবা পোপি পাম্বীশিং থাহল্লরোই হায়বগী ৱারেপশিং লৌখ্রে। ৱারেপশিংসি লাউথোকপা রেল্লি ফাওবা চৎপা য়াওখ্রে। মখোয়গী ৱারেপশিং ৱার ওন দ্রগসপু লুচিংলক্লিবা চীফ মিনিষ্টরদা হকথেংননা খূৎশিন্নরকখ্রে। পোপি পাম্বীশিং থাহন্দবা খক নত্তনা মখোয়না লৈরিবা মফমশিং 'দ্রগ ফ্রী জোন' নি হায়দুনা ফাওবা লাউথোক্লখ্রে। লৌরক্লিবা ৱারেপ, লাউথোরক্লিবা ৱাফম পূম্নমক কেম্প্যেন অসিগীদি প্লস পোইন্টনি। খোঙজং অসিমক মায় পাক্লে হায়বা ফাওবা য়ারক্লবনি। হান্না পোপি পাম্বীশিং থাবা-থাদবগী ৱাফম নত্তনা ৱাৎহৌরিবা চীংগী মফমশিংগীসু লম্বী শোমদা চঙশিল্লকপা চুমগনি। মণিপুরগী চীংগী শরুক পূম্নমক্তা পোপি পাম্বীশিং থাহল্লরোই হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা দ্রগ ফ্রী জোনশিং ওইহল্লক্লগদি শোক্নরক্লিবা লানসি তঞ্জাই অমা মায় পাক্লবনি হায়দুনা লৌবা য়ারনি হায়নীংই।

মসিনা চীংগী ওইজখ্রসনু। মখোয়গী এরিয়াশিং পোপি পাম্বী অমত্তা থাদবা মফমশিং ওইরসনু, দ্রগ ফ্রী জোনশিংসু মায় পাক্লা ওইহনবা ঙম্বা ওইরসনু। অদুবু তম্পাক্লোমদা অমুক য়েংলগনা কমদৌবা? তমদদি লৌবুক-লম্মাং ময়াম লৈরবসু পোপি থাদে, থানদে। অদুনা চীংমীশিংনা পোপিগী মায়োক্তা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিমক লৌবগী মথৌদি তাদ্রে। অদুবু তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীয়াম্না মখোয়গী এরিয়াশিং 'দ্রগ ফ্রী জোন' ওইরে নৎত্রগা ওইহল্লগনি হায়দুনা লাউথোক্লরকপদি অফবা খোঙথাং ওইগনি খল্লি। চুম্মী, ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংগী মায়োক্তা লৈরিবা মপাঙ্গল কল্লবা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্টপু মথ্বায় হাপ্তুনা চৎনহল্লিবা কাঙবুদা মীচম মীয়ামদি য়াওদে। এক্ট অসিদি লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনদা চৎনহঞ্জবনি। অদুবু এক্টসিগী মমিৎ-মনা হেন্না শিঙ্গৎহন্দুনা, মখোঙ-মখূৎশিং য়ামখৎহন্নবা থবক ফাওবদি তম্পাক্কী লন্নাই মীওই, মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা মতেং পাংশিল্লকপদি য়াইনা। থবকসিমক মীয়ামগী মায়কৈদগী অমত্তা তৌদ্রে হায়বা নত্তে। তম্পাক্কীদি থৌওইনা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংগী মায়োক্তা থবক তৌননবা অখন্নবা লূপশিং ফাওবা লৈরিবনি। তৌফম থোকপশিংসু তৌদুনা লাক্লিবনি। মখোয়দা মীয়াম্নসু মতেং পাংলক্লিবনি। অদুনবু তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিং ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইষ্ট, থৌবাল, ককচীং, বিষ্ণুপুর অমসুং জিরিবামদসু দ্রগ ফ্রী দিষ্ট্রিক্টশিং ওইহল্লগনি হায়বগী ৱারেপশিং লৌরগা লাউথোক্লরকউ। চুম্নতা লাউথোক্লরকপদা নত্তনা অফোংবা থবকপুদি ওইদ্রিবা ইল্লিগেল দ্রগশিং শুংবা, য়োনবা, পুথোক-পুশিন তৌবগী থবকশিংদা হেন্না কনশিনবা মিৎয়েংশিং চঙহন্নীংই। লো এনফোর্সিং এজেন্সিশিংগী মতেং হেন্না পাংশিলহন্নীংই হায়বনি। অসুম্মাইনা চীং অমসুং তমগী মীওই পূম্নমক্না ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংগী মায়োক্তা থোং মান্নদা লেপমিন্নরক্লগদি লমহেন তুহেনবা, চিঙ্গাকশিং অসিবু চাবা-থকপা মীওইশিংদগীনা পুশিল্লক্তুনা ইৱা-ৱাদনা শেন্দোং শেলয়াম পাম্বা মীওইশিংদসু অচৌবা চৈফু অমা শোয়দনা পীরক্কনি খল্লি। চীংগী মফমশিংদা পোপি পাম্বীশিং থাহল্লরোই হায়রকপগুম্না তম্পাক্তসু দ্রগ ফ্রী জোনশিং ওইহল্লগনি হায়বগী ফিরেপ লৌবা চুমগনি। লাউথোক্তবনা ফৎত্রবা থবকসিদা অয়াবা পীরে হায়বা নত্তে। হান্নদগী লেপ্লক্লিবা খোঙফমদুদা হেন্না চেৎশিন্না লেপহন্নীংই। মসিগী অহেনবা কান্নবা শোয়দনা ফংগনি। ৱার ওন দ্রগসতা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৩

১) **"খুন্নুং ঈশৈ নাচোম"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিন্দুনা ফোঙলকপনো?

২) **"নার্গাজুনগী শৈরেংশিং"** হায়বা লাইরিক অসি করি লোলদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) **"ঐ করিসু তৌদে"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"মঙলান খরা শক্তম খরা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং লাইরিক অসিগী অইবনা কনানো?

৫) **"শজিগী লৈবাক্তা"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১,২)

***২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৫)***

৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৩)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪২গী ৱিন্নর*

*অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়*

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪২গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# ফেসবুকলা, য়ুট্যুবলা - কারন তান্নগুমসি!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭০৫**

**জিতেন নামৈরাকপম**



পীক্লিবা চহী ৫/৬ খক্তা ঙাইরিবা ঐখোয়গী পীক্লিবা নুপামচা অদুবু কৌশিল্লদুনা ৱা অমত্তা হংগে হায়রুববু মানা খুল্লকখি - "পাখোনদি শীরক্কনুকো"। ঐ মাগী পাউখুম অদুদা তশেংনা ঙকখি। মমায়গা থোন-থোন লাউবা নুংশিখ্রবা মশক অদুনা অদুম্না হায়রক্কনি হায়বা শুকথা থাজরুদে। কনানা মঙোন্দা পাখোন শীবা য়াওরবা জাৎনো খনখি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা মখোয়গী স্কুলগী ফর্ষ্ট টর্ম এগজামগী রিজল্ট কমদৌরগে হংনীংলুবগী ৱানি। মাগী পাউখুম অদুদা য়ারে-য়ারে চৎলো শান্নজরুরো হায়রগা থাদোকখি।

হৌজিক্কী অঙাং হায়রেদনা পোকপদা অদুম শীংলগা থোরক্লে হায়বদুনি। ত্বেন্টিফর্ষ্ট সেঞ্চুরিগী কম্প্যুটরগী চক অসিদা হৌরক্লিবা অঙাংশিং অসিগা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমগা ওন্থোক্না খেন্নখ্রে। ঐখোয়না খঙলমদবা, উরমদবমক্তনি হৌজিক্কী মতম অসিদা থেংনরিবা অসি। মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা মাঙলোমদা চেনখৎপা হানবা তান্নরিবনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা টেলিভিজন করিনো খঙলম্বা নত্তে। ঐখোয়গী ইপুনচিংবদি টেলিভিজন মশক উদনা তাইবঙপাল থাদোকখ্রবনি। মণিপুরদা টেলিভিজনগী ঈহৌ লাকখিবদু ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ১৯৮২ এসিয়ন গেমস হৌরকপদগীনি। দেল্লীদা শান্নবা গেমস অদু টি ভি মমাঙদা ফম্না-ফম্না উবা ফংবদা ঐখোয় তশেংনা ঙকখি। মদুগী মতুংদা ভিদিও, ভি সী দি, ইন্টরনেট, ৱাকি টোকি, মোবাইল ফোন, ফেসবুক, ইন্সটাগ্রাম, য়ুট্যুব... মথং মথং খোঙজেল য়াঙনা চেনশিল্লকখি। হৌজিক্কী মতম অসিদদি অঙাং কপ্পা থেম্বদা মোবাইল পীশিন্নরবা মতমনি। মোবাইল ফোননা হেন্না পাকপা পীকখ্রবা মখূবাক অদুদা পায়রগা কিৎ কিৎ নম্লগা মখোয়না হৈতবা লৈত্রে। য়েংনীং য়েংনীংবা য়েংবা য়ারে, গেম শান্নবখক্তদা চাক চাবা কাউথোক্লিবনি। মদুগী মতম অদুদা অঙাংদু কৌরুবদা পাক খুল্লকপগী ৱা লৈতে। মমা-মপানসু মদুগীদমক ৱাজরিবনি। হৌজিক মোবাইল ফোনগা শাগোন্ননা অদুম লৈবা অঙাংশিং আনোক থানা-থানা উপ্পা য়াম্না থেংনরে। অসুক ফখ্রবা, খঙদবা-উদবা খুদিংমক খঙহন উহনবা ঙম্বা খূৎলায় অসি ওন্থোকপা মওংদা শীজিন্নখৎলক্লে। মসিনা অফবা ওইহনবগী মহুত্তা ওন্ন-তৈনবা লম্বীরোমদা শীজিন্নখৎলক্লে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা চেন-চোঙদুনা শান্নরম্বা, আথালি-পাথালি, ফীবুল হাবীগী মহুৎ কা নৎত্রগা ফমুংদগী হেন্দোক্তবা মোবাইল ফোন্না মহুৎ শিনখিবনা মরম ওইদুনা অঙাংশিংগী মশা নাগনবা, শোন্দম নাওদম্বা অসুক্কী মতিক য়াম্না থেংনরে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি চেনবা-চোঙবা শান্নরগা অহলশিংগী পাৎ-খান চৎপদদা থবক অমা ওইনরম্মিবনি। অদুবু হৌজিক্কী অঙাংশিংদি ঐনা অমুক ইরুদ্রগসু পাবীরিবশিংনা হেন্না খঙবিরম্লগনি।

মতমদুগী ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ ঈ-না কূপ্পা মৈতৈ য়ূমগী ইপুবোকনা য়ূমগী ফমেন্দা হীদাকফু থক্তুনা ফন্নিঙৈ মমাঙদা তুবৎ লান্না চৎপা তৌনরমদে। তিকি ঙাম্থক, হীদাকফু, হীদাক হানবা, তিকি থাগৎপা, হীদাকফু মহী শিনবা ইথৌনি। অমাং-অশেং য়াম্না খায়রম্মী। চাকখুমদা চঙবদা শেন্দল তোংবা য়ারমদে। য়েরূম ফাওবা ৱারক্তা লুক্রাক্না মৈ হৌগৎতুনা হৌরগা চারম্মী। অবোক ইপুখোয়না উখ্রবদি ইরু শেংনা লুথোক্লগা য়ূমদা চঙহল্লম্মী। নোংঙানবগী য়াহৌ ঙনবা, চিন-য়া শেংবা, শুমাং থেলোং শিৎপা শেংবা, নুপীশিংগীনা ৱাইরম তৈবা, ইরুজথোক্লগা ধুপ থাওমৈ কৎপা, নুমিৎ কৌবা লাইবু খুরুমজবা নোংমগী তৌফদ্রবা য়াদ্রবা ইথৌনি/মথৌনি। অদুবু হৌজিক্তি কদাই পুরা উজার মেলানি। খূবাক'মুক পাকপা মোবাইল ফোনদা ফেসবুক, য়ুট্যুব হাংদোক্তুনা অমুক্তং য়েংবদা অকিবগী মশকনি। অকাম-অপেৎ, লুজদবা খোন্দা, ইমুংগী মীওইশিং লৈমিন্নবদা তাবদা হঙ্গোইবা ৱাহৈ-ৱাতা মক্তনি শীজিন্নরিবসি। ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা ঙাঙই। উৎনীং-উৎনীংবা উৎলি। হায়রুরগনা নখোয় নথৌ লৈতনা করিগী য়েংবীরিবনো, তাবিরিবনো হায়রক্কনি। জাৎ জাৎকী কম্মেন্ট পীনরক্কনি। মণিপুরদা য়ুট্যুবর কয়া অমসু থোরক্লি। কান্ন-কান্নরবা ব্লোগ কয়া শেমদুনা উৎপা। পোৎ চৈ থাবগী, ইঞ্চোল কোয়বগী, লম কোয়বা চৎপগী, এক্সপ্লোর তৌবগী, রস গুলা শাবগী, কেক শাবগী, জগোয়গী, ঈশৈগী, নোংমগী পুন্সি মরেল, ফাগি-জুগাইগী পূম্নমক শুরে হায়বা য়াই। মদুগী মথক্তা থোং থাকপা, শা-ঙা চাবা-থকপগী মথেল ওইনা চন্দোল চৱা ফজনা থিল্লগা মৈতৈ ফিজোল নান্না শেৎলগা য়েন মখোঙ চিকপসু য়াওরি। ওকশা, ষণশা, হামেং জগৎকী য়েন-ঙানু, শা-ঙা মখল-মখলগী মৈতৈ ইমুংগী চাকখুমদা নুপীনা ফজনা কেরগা থোংবসি উবদা খংপ্রেক খংবা ফাওখি। থায়নগী অহল লমনশিংনা তৌনরমদবা মক্তনি। তুংদা করি থোক্লগবা খল্লুবদা অকিবগী মশকনি।

অসুক কান্নখ্রবা মোবাইল ফোন অসিদা জাৎ জাৎকী ব্লোগ নম্লগা ফেসবুক্তা করিদা শগোল য়াচল লাক্তবগুম্না কা হেন্না নীংখা তম্নরকপদগী হৌজিকসু লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লিবসিনি। সোসল মীদিয়াগী খূদোংচাবা লৌরগা মানা মানা অনীংবশিং সেন্সর তৌদনা স্ক্রিনিং তৌদনা ঙাঙনীংবদা ঙাঙবা, তৌনীংবদা তৌনরিবসি থিংবীনবা আইন অমা শেম্ফম থোক্লে হায়নীংই। হন্দক্তা মীওই অমনা কৌব্রুগী থাংজীংগী মরমদা কারন তারকপদগী মণিপুরগী পুৱারীদা শীংনরকপদগী ফাদুনা ৱায়েল চখরিবসি কা হেন্না মোবাইল ফোনগী নীংতম্বা লৌরকপদগী ওইফম থোকই। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরকপা খুদিংমক্কী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্না লেপ্তুনা লাক্লি, লেপখিগনি খঙনা খঙনা কারন তারক্লিবশিংবু মতিক চানা ৱারকফমদি থোকপ্রা খঞ্জে। মণিপুরগী চহী লিশীং অনী হেনবগী নিংথৌ পাল্লম্বগী ক্রোনোলোজিকেল ওর্দরদা ইরম্বা চৈথারোল কুম্বাবা খঙদবা পাদবা কনাগুম্বা অমনা পংঙাঙদা ঙাঙলগা পংইদা ইরগা চৎনবা য়াগদবসু নত্তে। ওথেন্টিক ওইবা এপেক্স বোদি অমনা ফোঙদোরকপা ৱাফম ওইরগদি খন্ননবগী তাঞ্জা শোয়দনা পীফম থোকই। মণিপুরগী হিষ্ট্রি খঙদবা পোকপা কুইদ্রিবা অমনা মাগী মতুং ইনবশিংবুসু থাজহল্লিবা অঙকপনি হায়না লৌবা য়াই। মোবাইল ফোননা খূৎলায় ওইরগা কারন তারক্লিবশিং খংপ্রেক খংনবা মওংদা চৈরাক পীবিরগদি মীয়াম্না থাগৎনগনি। অফ-ফত্ত লোইনা খঙনরবা মক্তনি। ইচাদগী, মীচাদগী হৌরগা পূম্নমক্না অপূনবা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা মণিপুর অমগীদমক কোক থাদনসি। ঐখোয়বুদি কয়াম কুইনা হিংখিগনি। হৌরক্লিবা নখোয়গী তুংগী পুন্সিগী খল্লুবদা ৱাদবা ঙমদে। ঐখোয় য়েলহৌমীশিং নুংশি চান্ননা হিংমিন্নসি। ৱাকায় ঙাঙনগুমসি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৭০

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

হায়রিবা খুরুম্বগী মওংশিংসি মীদা খুরুম্বদদি শীজিন্নদে/তৌনদে। তঙাইফদবা মনীং ৱাইদা অমদি খরা লাপ্পপ্না লৈবশিং খুরুম্বা মতমদদি খূৎ অনী থাঙ্গৎলগা খরা হাইদোক্লুরবা মতুংদা খূবাক অনী পুল্লপ উৎশিল্লগা অতেনবা/অশম্বা, অশাংবা খুরুম্বা তৌনীংবশিংনা তৌনবা অদুম ময়াওই। মথক্তা হায়খিবা খুরুম্বা মখলশিং অসি লৈঙাক্লোইশিংগী ওইবা থবক থৌরমশিংদদি তৌনদে/তৌবগী মথৌ তাদে হায়বসু য়াই।

লাইনীংগা মরী লৈননা ঙাকহন্নীংবা থকসি খাসি :- মালেমগী খুন্নাইশিংদা লৈরিবা চৎনরোলশিং মালেমগীদা লৈরিবা হৈশিংবা, ৱাখল লৈবা, লাইরিক লাইশু হৈবশিংনা শেম্বনি হায়না লৌবদা লানগনি থাজদে। করিগীনো হায়বদা মখোয় মখোয়গী খুন্নাইশিংদা চাং মান্নবা, অফবা ফীভম/মওং অমা থম্নবনি। খন্নরগা শেল্লবা মতুংদা/মতমদা চৎন-কাঙলোন মখল মখাগী ওইবনি। শম্না হায়রবদা লো অমদি বাই লো হায়নরিবশিংসিনি। লৈঙাক্লোন/খুন্নাইলোন হায়নরিবসিনি। লাইনীংগীদসু ফজবা চৎনরোলদুনা লীক্লম/পরম ওইনবগী ৱাফমনি।

"মালেমদা নুংশিবা, ফজবা অমদি অচুম্বা হায়রিবা অহুমকসি লৈ হায়বদি খঙলগা পোৎশক ওইনা পুথোক্তুনা উৎপা ঙমদবা থৌওংনি। পোৎশক ওইনা পুথোক্তুনা উৎপা ঙমদবা অহুমসিদগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা মওংদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমহনবা অঙকপা মতিক ময়াই চেনবা হৌফম লোইফম খঙদবা, খঙনবা হোৎনবদা লোইবা খম্বা নাইদবা করি হায়গদগে খঙদবদু লাই হায়নরিবসিনি হায়না লৌজে।"

মথক্কী অহুমসিগী তোঙান তোঙানবা মওংদা ফোঙদোকপা খরদি - নুংশিদা হায়বসিদা ফুমদুনা/লোৎতুনা য়াওরিবদি- থম্মোয় কায়হল্লিদা, পেলহল্লিদা, শুমহৎলিদা অসিনচিংবা।

ফজৈদা হায়বসিদা ফুমদুনা/লোৎতুনা য়াওরিবা - নিংথিদা, য়েংনিংঙিদা, য়েংবগী পেনবা নাইদেদা, উনীংঙিদা/উনীংদুনতা লৈদা অসিনচিংবা/চুমইদা হায়বসিদা ফুমদুনা/লোৎতুনা য়াওরিবনা - চৎন-লোনচৎ/লমদাং/কাঙলোন কায়দেদা, লান্দেদা, অশোয়বা য়াওদেদা, মফম অমদি মতম পূম্বদা হোংদনা/লেংদনা লৈদা অসিনচিংবা।

অঙাং অমা; থৱায় পানবা অপীকপা শা-ঙা-উচেক ৱায়া, হৈরাং-লৈরাং; হানৌ-য়েন্নিং চোংবা নাপি-শিংবী, উপাল-ৱাপাল; মথোৎ কারকপা, পোল্লম্বদগী শাৎকায়বা হৌরক্লবা লৈরাংশিং, হৈজিং ফারক্লবা হৈরাংশিং; কোইরৌ নোংমদোন থক্তা খোঙচৎ নায়না মালেম লৈমনা কোয়না চৎপদা উরিবা অরেংবা লেংদবা পোৎশকশিং, অহাঙবদা পাইরিবা অথা-অকুং নায়বা লৈচিলগী মপৈশিংনচিংবশিংদা মতাং মতমগী ওইনা নৈনবদা মথক্কী পুথোক্তুনা উৎপা ঙমদবা মতিক ময়াই অহুম অমদি অহুমসিগী তোঙানবা মওংশিং শোয়দনা উবা/খঙবা ঙমগনি। খুদম ওইনা - অঙাং অমা মথক্কী মতিক ময়াই চেল্লি হায়না খনবা অমা অহানবা হেক উবদা খঙহৌদনা হায়খিবা য়াই - কয়াদা নুংশিখ্রবনো। মথংদা ওন্থোক্না ফজখ্রেদা হায়গনি। অসুক নুংশিখ্রবা ফজখ্রবা অঙাংসিবু করম্না অমুক্তং ওইরবসু পমদনা তোক্কদগে হায়না খল্লগা পমনীংবা পোল্লককইবসি অচুম্বা থৌওং ওইবদগীনি। নুংশিদা, ফজৈদা হায়রগা, অঙাংদুনা শক খঙদবদগী পমগে হায়বদা/তৌবদা য়াদবদুনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা, পমনীংবা ৱাখল ফাওদ্রবদি/চেন্দ্রবদি অচুম্বা থৌওং নত্তে হায়না হায়গনি। মশা মতোমতা হংজবা/খঞ্জবা য়াবা ৱাফম/মরমদি অসুক নুংশিখ্রবা ফজখ্রবা অঙাংসিবু ঙহাক্তংদা ওইরবসু পল্লমদ্রবদি নৎত্রগা মখজায়দা খজিক্তং থেংলমদ্রবদি/শিল্লমদ্রবদি ঐনা (মীদুনা) নুংশি, ফজৈ হায়রুবসি মী অতোপ্পনা করম্না থাজগনি/ঐবু (মীদুবু) থম্মোয় পান্দবা, নীংথিবা হায়বদু মশক খঙদবা মী অমগুম্না খনখিরোইদ্রা? ৱাখল/থৌওং ময়ামশিংসিনা অহুমশুবা থৌওং অচুম্বা হায়রিবসি ওইরিবনি। অমুকসু পামজবা/য়ানীংবা অমনা তৌরবদি পংনুংদা নুংশি, তৌরিবা খুদিং পংপক্তা পকচৈ, ফজখ্রেদা হায়নৈ। মসি খঙবা ঙল্লিবসি অচুম্বনি। নাকল অমরোমদা, য়েংবদা-উবদা নুংশিবা মখল অমবু নুংশিদে, ফজববু ফজদে হায়রবদি মদু অরানবনি। মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন ওইজবসি মীয়ামগী ওইনা য়েংবদা লাল্লবদি মদু অরানবনি হায়না লৌবদা লাল্লরোই। মরমদি অচুম্বা হায়বসিদি মফম মতম নাইদে হায়না লৌগনি। খুদম, খাম্বী মৈত্রেং অরাবসি শাই হায়বসি মফম মতম নাইদে, চুমদুনতা লৈগনি। 'অহানবগীসিনা লাই থাজবা হায়বসিনি। অনীশুবগীসিনা ওন্ন-তৈনবা লাই থাজদবা হায়বসিনি। মহৌশাগী খূৎশেমশিংসি য়েংলু য়েংলুবা খুদিংদা পরম চুম্না য়েংলবদি পূক্লিং হুনীংঙাই ওই, ফজৈ। মসিবু মাঙহন্দনা হায়বদি য়োকখৎতুনা থম্বসি অচুম্বা থৌওংনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবা থৌওংনা অরানবনি, লানবনা চুমদবনি।"

হৈ ওইরবসু লৈ ওইরবসু চরোং চুম্না পানবসি মনম নুংশিবা লৈশাৎ ওইরক্লবা, হৈজিং ফারক্লবদগী নুংশিবা মনম চেল্লক্লবা অনীমক য়েংবদা ফজৈ। অদুবু মতম অমত্তদা লৈ শাৎতোকপা, হৈরাং মুনবা মান্নদবা য়াওবসিসু মহৌশা ওইবনা - অশাৎপা লৈ অমদি মমুন ফারক্লবা হৈরাং হেক্লবগীদমক পোমশাৎনবা লৈরাং/অশংবা মুন্দবা উহৈ কয়াবু হেক্তৎলগা/য়ৈথরগা হুন্দোক্তুনা মাঙহনবসি অচুম্বা থৌওং নত্তে হায়গনি। অদুবু মীওই খরনদি করিসু খল্লুদনা অশাৎপা লৈ হেক্লবা হোৎনবদা চরোং নৎত্রগা মসা অমত্তদা পানমিন্নবা অপোম্বা লৈরাং কয়াবু চন্নফম খঙহন্দনা মাঙহল্লি। চপ মান্নবা মওংদা পীক্লিবা/হৈজিং ফাদ্রিবা হৈরাং কয়াবু মাঙহল্লি। কনা অমনা অফ-ফত্তগী ৱাখল খল্লগা য়াম্না চেকশিন্না হেকপা য়াবমখৈ হেক্লগা অতৈবু শোকহন্দনবা খল্লগা হেকপা য়ারোইদবা ওইরবদি তোকপা য়াওই। মথক্কী মীওই অনীসিবু লাইনীং অমগা মরী লৈননা করি হায়বীনীংবগে হায়বসি অদুম খনবীরো। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।